## এম ডি এসকী মেনেজিং ডিরেক্টরগী য়ুমদা পোকখাইহল্লে

# এস্কোর্ট অনি য়াওনা অহুম শোক্লে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুন ৩ঃ* শকখঙদ-বশিংনা এম ডি এস (মণিপুর ডিভলপমেন্ট সোসাইটি) গী মেনেজিং ডিরেক্টর য়াম্বেম নিংথেমগী ময়ুমদা বোম লংশিন্দুনা পোকখাইহল্লে।

থৌদোক্তুদা এমদি অসিদা ডিপ্লোয় তৌবা মণিপুর রাইফলসকী এস্কোর্ট অনি অমসুং সিভিল দ্রাইভর অমা পুন্না মীওই অহুম বোম মচেৎনা পান্দুনা শোকপদগী রিমস হোস্পিতালদা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৭:১৫ রোম তারকপদা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মন্ত্রিপুখ্রি লল্লোঙ্গৈদা লৈবা এমদি অসিগী ময়ুমদা থোকখিবনি।

শকখঙদবশিংনা লংশি-লল্লবা বোম (হেন্দ গ্রেনেড) অদু সন্ত্রি পোস্তদগী পংলাপ লাপ্পদবা য়ুম অদুগী শুমাংদা তারগা পোকখাইখি। মদুদা এম আরগী পার্সোনেলশিং অদুনসু খুদক্তা নোংমৈ রাউন্দ কয়া নোংথক্তা কাপথোকখি হায়রি।

থৌদোক্তুদা শোক্লবশিং অদুদি ৮-এম আরগী রাইফ-লমেন অহৈবম লৈকায় খোংনাং ফৈদেকপীদগী ৱাইখোম ধনচন্দ্র (৪৩) অপোকপা শমুয়াইমা, চান্দেলদগী রাইফলমেন রোকি লমকাং (৩৪) অপোকপা অংচুং অমদি  সিভিল দ্রাইভর খোংমনদগী থোঙাম দিনেশ (৪৫) নি।

মখোয়গী মনুংদা দ্রাইভর দিনেশ নত্তনা রাইফলমেন অনি অদুদি মাইনর ইঞ্জুরি ঙাক্তনি হায়রি।

এম ডি এসকী এমদি অসিদা  হোম ডিপার্টমেন্টনা হাউস গার্ড কম পার্সোনেল এস্কোর্ট ওইনা ৮-বট্টালিয়ন এম আরগী হভিল্ডার অনি, রাইফলমেন তরুক ডিপ্লোয় তৌরিবনি। এমদি নিংথেমনা ঙসি লৈখিদ্রবা মহাক্কী মচানুপা তুতুগী মিংদা দি এম কলেজদা কৎপা লাইব্রেরি বিল্ডিং অমা হয়েং শঙ্গানবগীদমক মফম অদুদা লৈরিঙৈ মনুং বোম পোকখাইখিবগী থৌদোক অসি থোকখিবনি হায়রি।

ঙসিগী থৌদোক অদুদা শুমাং অদুদা খাল্লগা থন্বা কার (এম এল ০৪-এ-৯০৯৭) গী মিংশেলশিং অমদি য়ুম অদুগী থোং থোংনাওগী মিংশে-লশিংসু অকায়-অকোয় থোকখি।